# অনৌবা মফমশিংদা ফরক্লবদি বি জে পিগী মশীং ৩০০ য়ৌগনি ঃ য়েদ্দীয়ুরাপ্পা



***বেঙ্গলুরু, মার্চ ২৪ঃ***

বি জে পিনা মমাঙদা থোইনা য়ৌশিনবা ঙমখিদবা ষ্টেটশিংদা হন্দক্কী মীফম অসি ফজনা তৌরবদি লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা পার্টিগী অপূনবা এম পি মশীং ৩০০ য়ৌগনি হায়বসিদা বি জে পিনা চপ চানা থাজবা লৈ হায়না পার্টি অসিগী করনাতকা য়ুনিট প্রসিদেন্ট বি এস য়েদ্দীয়ুরাপানা হায়খ্রে।

করনাতাকাদসু বি জে পিনা হায়দরবাদ–করনাতকা রিজনদা ফজরি, মুম্বাই–করনাতকা অমসুং সেন্ট্রেল করনাতকাদা হান্নদগী হেন্না ফজবা ফিভম লৈরি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি অমসুং পার্টি অসিনা করিগুম্বা ষ্টেট অসিদা সিট ২০দগী ২২ ফাওবা ফংলবদি কোংগ্রেস –জে দি (এস) কোলিসন গভর্ণমেন্ট মনূংদা য়ৈখাইনবদগী নীংখাইরক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস অমসুং জে দি (এস)না মথংসিৎনা সিট ২০ অমসুং ৮ কন্টেষ্ট তৌনবা য়ান্নবগা লোয়ননা হন্দক্কী অসিদদি এলায়েন্স ওইনা ওইনা মনূংদা য়ৈখাইনরি।

অমরোমদা এন দি এ গীদমক লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা অফবা ফিভম অমা লৈ। মমঙগী লোক সভা মীখলগা য়েংনবদা নরেন্দ্র মোদিগী ৱেব শরুক কয়া হেনগৎলকপখক্তা ওইরি। ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওরিষ্যা অমসুং অতৈ অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগুম্বা অনৌবা মফমশিংদগী ঐখোয়না সিট কয়ামরুম ফংগনি থাজরি। মসিনা বি জে পিগী অপূনবা লোক সভা সিট মশীং ৩০০ য়ৌরক্কনি হায়না মহাক্না পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসকী অকনবা মীওই মাল্লিকার্জুন খরগেগী শৌগৎপশিং–মাল্লিকয়া কুতেদার, উমেশ যাধব, বাবুরাও চীনচুরসুর অমসুং মালাকা রেদ্দিনা বি জে পিদা য়াওনবা মহাকপু থাদোক্লকখ্রবগী তুংদা হায়দরবাদ–করনাতকা রিজনদা মাগী ফিভম লূরি হায়নসু য়েদ্দীয়ুরাপানা হায়খি।

রাহুল গান্ধীবু করনাতকাদগী কন্টেষ্ট তৌনবা করনাতকা প্রদেশ কোংগ্রেস কমিটি প্রসিদেন্ট দিনেস গুন্দুরাওনা খূৎ লাম্ণোকখিবা অদুগী মতাংদা হংবদা য়েদ্দীয়ুরাপানা রাহুল গান্ধীনা মাগী অমেথি সিট অমুক ফঙবা ঙমগদ্রা হায়বা ফাওবা তন্না ঙমদ্রিবনি।

মহাক স্মৃতি ইরানগী মখুৎতা মায়থিগদৌরিবনি মরম অদুনা মাবু করনাতাকাদগী কন্টেষ্ট তৌহন্নবা হোৎনরিবনি হায়খি। অদুগা করনাতাকাদসু মহাক্না মায় পাকপা অরাইবা ওইরোই। অসিগুম্বা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা অমত্তা রাহুল গান্ধীনা য়াগনি থাজদে হায়না য়েদ্দীয়ুরাপানা মখা তাখি।

# হিন্দু নুপীমচা ২ ফাখি হায়বদু পাকিস্টান প্রাইম মিনিষ্টরনা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে ঃ মিনিষ্টর

***ইস্লামাবাদ, মার্চ ২৪ঃ***

পাকিস্টানগী সিন্ধ প্রোভিন্সতা হিন্দু নুপীমচা অনীবু ফাখ্রে, নমদুনা লাইনীং ওলহনখ্রে অমসুং চহী শুদনা লুহোংখ্রে হায়বগী পাউশিং অদু থিজিন্নবা পাকিস্টান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানন্না ওর্দর তৌখ্রে অমসুং নুপীমচা অনী অদুবু পুরক্নবা খুদক্কী খোঙথাংশিং লৌখৎনবসু খঙহনখ্রে হায়না পাকিস্টানগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর ফৱাদ চৌধ্রিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



মশাগী চহী ২০ শুদ্রিবী নুপী মচা অনী অদু য়াওশঙগী নোংমগী মমাঙদা সিন্ধ প্রোভিন্সকী ঘোতাকি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মখেয়গী য়ুমদগী মীওই কাংবু অমনা ফাখিবনি। ফাখিবা অদুগী মতূং থুনমক নুপীমচা অনী অদু নিকাহা (লুহোংবা)গীদমক ক্লেরিক অমনা লাইশেন থৌরম তৌবা ভিদিও অমা থাগৎলকখি। অতোপ্পা ভি দিও অমদনা নুপীমচা অনী অদুনা মখোয় মশানা ইস্লাম লাইনীং য়ারে হায়না ঙাংবা উৎলি।

উর্দু টুদেদা থাগৎলকপা ত্বিটর অমদা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর চৌধ্রিনা হায়রিবা নুপীমচাশিং অদু পঞ্জাবকী রহীম য়ার খানদা পুখ্রে হায়বা পাউশিং অদু য়েঙশিন্নবা সিন্ধ চীফ মিনিষ্টরদা প্রাইম মিনিষ্টরনা খঙহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

সিন্ধ অমসুং পঞ্জাব গভর্ণমেন্টশিংনা থোক্লিবা থৌদোক অসি য়েঙলগা জোইন এক্সন প্লান অমা পুথোক্নবা অমসুং অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুকহন্না থোক্লকপা থিঙনবা অকক্লবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ওর্দর তৌখ্রে হায়খি।

মরানলৈবশিংদুগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা পাকিস্টানদা হিন্দু কম্যুনিটিনা দিমান্দ তৌদুনা অচৌবা দেমোষ্ট্রেসনশিং চথখি। লৈবাকসিগী মাইনোরিটিশিংদা মহাক্না ৱাশকখিবশিং অদু প্রাইম মিনিষ্টর খানদা নীংশিংখি।

পাকিস্টান হিন্দু সেবা ৱেলফিয়ার ট্রষ্ট কৌবা এন জি ও অমগী প্রসিদেন্ট সঞ্জেস ধনজানা মসিগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর খানদা থৌদোক অদু য়েঙশিনবীনবা অমসুং পাকিস্টানদা লৈরিবা মাইনোরিটি খুদিংমক শেঙনা শেয়–ঙামদবা ওইরে হায়বদু প্রমান তৌনবা অপিল তৌখি।

ঘোতাকি দিষ্ট্রিক্টতা হিন্দু কম্যুনিটিনা ৱাকৎ মীফম কয়া অমা চথখি অমসুং মদুগী মতূংদা নুপীমচাশিং ফাবগী চেন্নবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা পুলিসনা কয়া থৱাই য়াওদনা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখি।

মতম খরগী মমাঙদা হায়রিবা মীওইশিং অদুগা মখোয়গী মপাগা খৎনবগী থৌদোক অমা থোকখি অমসুং পিষ্টোলশিং পায়রগা মখোয়না হোলিগী মমাঙগী নুমিৎতা মখোয়গী য়ুমদা নমদুনা চংলগা মচননুপীশিং অদু ফারগা পুখিবনি হায়না নুপীমচাশিং অদুগী মবুংনা পুলিসতা এফ আই আর অমসু থাংগৎলকখি।

# ইন্দিয়ানা পাকিস্টান য়ু এ ভি অমসু কাপথখ্রে, এল ও সিদা কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী লান্মী অমা শিখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪ঃ***

লৈবাকসিগী এয়ার দিফেন্স নেটৱার্ক য়ান্না থাক ৱাংনা চেকশিন্না লৈরিঙৈ তাল্লকতা পাকিস্টানগী অনমেন এরিএয়র ভেহিকল (য়ু এ ভি) অমনা রাজস্থানগী শ্রীগঙ্গানগর দিষ্টিক্টতা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ইন্টরনেসনেল বোর্দর ৱাংমা লান্না পাইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা কাপথখি।



দ্রোন অদুনা লমদম অদুগী সত্রনা অমসুং জগদেব বোর্দর আউতপোষ্টশিংগী মনাক য়ৌশিল্লকপদা রাদরশিংনা খঙবা ঙমখি অমসুং মদুদগী দ্রোন অদুনা ইন্দিয়ান টেরিটোরিগী মনূংদা হেন্না পাইশিলকপা থিঙনবা এন্টি–এয়ারক্রাফ গনশিংনা কাপথখি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

পাকিস্টানগী বলাকোটতা লৈবা জৈইশ–ই–মোহমেদকী অচৌবা টেরর ট্রেনিং কেম্প অমদা ফেব্রুৱারি ২৬তা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা এটেকশিং চথখিবা মতূং ঙমখৈ পরিংদা ৱাংনা উংখৎনরিঙৈ মনূংদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা য়ামদ্রবদা পাকিস্টানগী দ্রোন ৪ কাপথখিবদু থারগা অসুম্না কাপথখিবা দ্রোন ১২ রোম হেনখ্রবনি।

মরকসিদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পূঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) পরিংদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা পাকিস্টাননি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী লান্মী অমা শিখ্রে।

নোংমৈ কাপশিল্লকপদু ঙরাং থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পূং ৫ মিনিট ৩০ রোম তাবদা পূঞ্চ দিষ্টিক্টকী সহাপুর অমসুং কেরনি এরিয়াশিংদা চথরকখিবনি অমসুং নুমিদাং চুপা অদু মখা তানা তত্তনা কাপশিল্লকখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

ইন্দিয়ান আর্মিনসু অকনবা মওংদা খূৎ হন্দুনা কাপখি অদুবু পাকিস্টানগী নাকনদা অশি–অনা থোক্লমগদবশিং অদু খুদক্তা খঙবা ঙমদ্রি। পাকিস্টান লান্মীশিং অদুনা ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ পোষ্টশিং অমসুং মীচম তাবা খুঙ্গংশিংদা ওনশিন্দুনা মোর্তার অমসুং অতৈ অপীকপা খূৎলাইশিং শিজিন্নরকখি।

ঙসি শিরিবা লান্মী অসি থারগা হৌখিবা নুমিৎ ৪নিদা শিখিবা লান্মী ২ শুখ্রে। শগোলশেন নুমিৎতসু রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টকী সুন্দর বানি সেক্টরদা পাকিস্টাননা কাপশিল্লকপদা য়াস পাউল কৌবা রাইফলমেন অমা শিখি।

# গ্রীসতা থা ১৩ জেলদা লৈরুরবা ইন্দিয়া সেলর ৫ অমুক হল্লকখ্রে

***মুম্বাই, মার্চ ২৪ঃ***

গ্রীসকী জেল অমদা থা ১৩ লৈরুরবগী তুংদা কারগো ভেসেল অমগী ইন্দিয়ান ক্রু মেম্বর ৫ ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা মুম্বাইদা থুংলখ্রে।

মখোয় সাইপ্রসতগী লিবিয়াদা দিসেম্বর ২০১৭দা হোনখিবা এন ভি এন্দ্রোমেদা কৌবা মার্চেন্ট কারগো ভেসেল অমদা তোংখিবনি।

জহাজ অদুনা রিপিয়ারগীদমক টরকিদা খামখি অমসুং মদুগী মতূং মাগী পান্থুংফম তান্না মখা চথখি। অদুমওইনমক জহাজ অদুনা গ্রীস য়ৌরকপা মতম জনুৱারি ২০১৮দা এক্সপ্লোসিপ মেটরিয়েল পুবগী মরানদা জহাজ অদু ওথোরিটিজনা ফাজিনখি।

মুম্বাইদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংবদা সেলর ৫দুগী মনূংদগী অমনা মখোয়না জহাজগী খোঙচৎ অদুদা থেঙনখিবা খুদোংচাদবশিং অদু ফোঙদোকখি।

# অসামদগী অঙাং ৩ পুখ্রিদা তাবদা শিখ্রে

***গুৱাহাতি, মার্চ ২৪ঃ***

অসামদগী তামিল নাদুদা চৎতুনা থবক শুবা শিন্মীশিংগী অঙাং ৩ ষ্টোন ক্বারিগী পুখ্রি অমদা ঙা ফাবদা তাবদগী ইরাক্লদুনা শিখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফঙবা পাউশিংগী মতূং ইন্না তামিল নাদুগী কৃষ্ণগিরি দিষ্টিক্টকী টাওন মাথিগিরিদা এম বাবু (১২), আর অজয় (১৩) অমসুং আর লক্ষমি (৭)না ষ্টোন ক্বারি অদুগী পুখ্রিদা ঙা ফানবা হোৎনবদা ঈরাক্লদুনা শিখিবনি হায়রি।

অঙাংশিং অদুগী মমা–মপাশিং অদু পোসুরদা লৈবা প্রাইভেট কম্পেনিশিংগী থবক শুদুনা নোংমগী খূৎসুমন তানবা মীওইশিংনি।

বাবু অমসুং মাগী মমা মোনা (৩২)গা লোয়ননা অজয় অমসুং মচননুপী লক্ষমি ঙা ফানবা পুখ্রি অদুদা চৎখিবনি। মোনানা মখোঙ হান্নিংবদগী চথোকখ্রিঙেদো অঙাং ৩ অদুনা নুংঙাইবা ৱাখল অমদা পুখ্রি অদুদা কুমথরুবনি অমসুং ঈরোইবা হৈতবদগী ঈরাক্লখিবনি।

মোনানা হল্লকপদা অঙাং ৩ অদু ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা লৈরম্বা থেঙনখিবনি।

# হৌজিক ফাওবদা বি জে পিনা লাওথোকপা মীরেপ ২৯৭ শুরে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪ঃ***

বি জে পিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক হৌজিক ফাওবদা থোকখিবা মীরেপশিংগী মমিং য়াওবা লিষ্ট ৬ লাওথোকখিবদা বরানসিদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং গান্ধীনগরদগী পার্টি প্রসিদেন্ট অমিত শাহ য়াওনা মীরেপ ২৯৭কী মমিং লাওথোকখ্রে।

লিষ্টশিং অসিদা অহানবা তাঙ্কক অনীদা ভোত থাদনগদবা সিটশিংগী মীরেপ লোয়নমক য়াওরে।

শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবা অহানবা লিষ্টতা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি চীফ য়াওনা মিরেপ ১৮৪গী মিং লাওথোকখি। কোন্না নুমিৎতুমক্তদা দমন অমসুং দিয়ুগী মীরেপ লাওথোকখি। ইরাই নুমিৎতা লিষ্ট ৩ অমসুং থাংজ নুমিৎতা লিষ্ট ১ থোকখি।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লখনৌদগী অমুকহন্না কন্টেষ্ট তৌরগনি, রবি শঙ্কর প্রশাদনা বিহারগী পাতনা শাহীপতগী অমসুং নেসনেল স্পোক্সপার্সন সম্বিট পত্রনা ওরিষ্যাগী পুরিদগী মীরেপ ওইরগনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং নরেন্দ্র সিংহা তোমার, জয়ন্তা সিনহ, শ্রী পথ নায়কনা মথঙসিটনা মধ্য প্রদেশকী মোরেনা, ঝরখন্দগী হজরিবাগ অমসুং নোর্থ গোৱাদগী কন্টেষ্ট তৌরগনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর গিরিরাজ সিংহনা নৱাদাগী মহুত্তা বিহারগী বেগুসরাইদগী মীখল কন্টেষ্ট তৌরগনি।

# আন্দমান্সতা সিপ্লেনশিং শিজিন্নবা থুনমক অশেংবা ওইনা উরগনি

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৪ঃ***

আন্দমান্সকী য়েঙবদা মীৎ থক্লা ফজরবা ঈথৎ ৪দা অহেনবা টুরিষ্টশিংগী পূক্নিং চীংশিন্নবা অচৌবা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা বিদ্দিং প্রোসেস হাংদোকখিবগা লোয়ননা সমুদ্রগী মফম অসিদা সিপ্লেনশিং শিজিন্নদুনা লম কোবা চৎপা হায়বদু থুনমক অশেংবা অমা ওইনা উবা ফঙলগনি হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



টুরিজম চাওখৎহন্নবগীদমক ইনফ্রাষ্ট্রক্টচর শাগৎপা য়াওনা আন্দমান্সকী ঈথৎ ১৭ খন্দোক্লে। মফম ৪ হায়বদি শ্বরাজ দ্বীপ, শহীদ দ্বীপ, হট বে অমসুং লোং আইলেন্দদা সিপ্লেন ওপরেসনগীদমক বিদ্দিং অদু হাংদোকখ্রে। মসি সেন্টরগী য়ু দি এ এন রিজনেল কনেক্টিভিটি স্কিমগী মখাদনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

হৌজিক আন্দমান্সকী অৱাং থংবা মতোনদা দিগ্লিপুর এয়ারপোর্টতা সিভিল ৱার্কশিং শেমগৎপা লোয়শিনখ্রে। আন্দমান এয়ারৱেজদা জুন ২০১৯দগী এয়ার ওপরেসনশিং হৌনবা থৌরাং তৌখ্রে।

কর নিকোবর কম্পবেল বেদা অহেনবা এয়ারফিল্ডশিং শেমগৎনবা থৌরাং লৈরে অমসুং পোর্ট ব্লেয়ারদসু অনীশুবা এয়ারষ্ট্রিপ অমগী থৌরাং লৈরে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

আন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্সতা দিভলপমেন্ট পুরক্লবগীদমক অহানবদা ঈথৎ ৫ খন্দোক্লে মদুগী মতূংদা অতোপ্পা ১২ হাপচীনগনি।

জঙ্গলিঘাৎতগী দুনদাস পোইন্ট ফাওবা অন্দমান মেরিনড্রাইবকী ফেজ ৱানগী মপূং ফাবা প্রেজেক্ট রিপোর্ট শেন্নবা হোৎনরি। আন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্সদা মফম পূন্নমক লম্বীগা শন্নহন্নবা লূপা ক্রোর ২৭০ খাত্তুনা থম্লে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি। শেনফম অসিগী মনূংদগী লূপা ক্রোর ১০০ সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থাদোক্লকখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদগী ফঙবা ৱারোলগী মতূং ইন্না আন্দমান এন্দ নিকোবরগী অপীক–অপীকপা ঈথৎ ৫৭২গী মনূংদগী মী খূন্দাবা ঈথৎ ৩৮ লোমগী মহৌশাগী ফজবা, সমুদ্রা তোর্ব্বানশিং, উপাল–ৱাপাল অমসং উচেক–ৱায়া লোয়ননা ইতিহাসিক্কী ওইনা শীংথানিঙাই ওইবা মফমশিং য়েঙননবা ২০১৫দগী ওক্তোবর ২০১৮ ফাওবদা টুরিষ্ট লাক্ষ ১৬ হেন্না লাকখি হায়রি। ওক্তোবর ২০১৮ ফাওবদা ঈথৎময়ান্না পূশিল্লগা শেন্বা টেরিটোরি অসিদা ফোরেন্নর ১১.৮১৮ য়াওনা পূন্না টুরিষ্ট ৪,০২,৩৯৩ লাকখি।

পনবা য়াবদি আন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্স অসি হোম মিনিষ্ট্রিগী এদমিনিষ্ট্রেটিব কন্ট্রোল মখাদা লৈ।

# জেলদা নৱাজ সরিফকী হকচাংগী ফিভম শোকচীল্লকখ্রে হায়না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী মচানুপীনা ফোঙদোকখ্রে

***লাহোর, মার্চ ২৪ঃ***

পাকিস্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফ জেল মনূংদা কিদনিগী লায়না অমদগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকখ্রে হায়না ঙসি পাকিস্টান মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

নৱাজ সরিফপু মাগী ইমূং–মনূংনা জেলদা চৎতুনা উন্নখিবা অমসুং মাগী হকচাংগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবা অদুগী নোঙানবদা মাগী হকচাং শোকচিল্লকখিবনি হায়রি।

দ এক্সপ্রেস ট্রিবুন পাউ–চেগী মতূং ইন্না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা ফংবদগী নৱাজ সরিফকী মচানুপী মরিয়ম নৱাজনা মাগী পার্সোনেল ফিজিসিয়ান অদনান খানগা লোয়ননা লাহোরগী কোট লখপথ জেলদা সরিফকা উন্নখিবা মতূং থাংজ নুমিৎতা মহাক্কী থিনা শোকচিল্লকল্লিবা হকচাংগী মতাংদা পাকিস্টান মুস্লিম লিগ–নৱাজ (পি এম এল–এন)সুপ্রিমোগী মচানুপী অসিনা ত্বিটরদা ফোঙদোক্লকখিবনি।

মশাগী চহী ৬৯ শুরক্লবা নৱাজ সরিফনা অল–অজিজিয়া ষ্টীল মিলস করপসন কেসতা চহী ৭কী জেলগী চৈরাক ফঙবদগী হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদগী জেলদা লৈরকখিবনি।

মহাক্কী মপাগা উন্নরুরবা তুংদা মরিয়ম নৱাজনা ত্বিটরগী খূৎথাংদা ফোঙদোক্লকপদা মহাক্কী কিদনি দিজিজ অদু অহুমশুবা ষ্টেজ য়ৌরে অমসুং মহাক্কী পাম্বোমদা অনাবা ফাওরক্লে হায়খি।

সরিফকী লায়না অদু ময়েকশেংনা দাইগ্নোস তৌবা অমসুং মাগী পার্সোনেল ফিজিসিয়ান য়াওনা লায়েঙনবা জেলদা মেদিকেল স্পিসিয়েলিষ্ট অমা থাবীনবা মরিয়মনা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরিদা হায়জবগী চেরোল অমা ইখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পানামা পেপরস ফোঙদোকখিবা মতূংদগী সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দরদা নেসনেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরোনা সরিফকী মথক্তা করপসন কেসশিং থংগৎখি।



মিষ্টর সারিফ, মহাক্কী মচানুপী অমসুং মমাক নুপা– রিটায়ার কেপ্টেন মুহমদ সফদারবু মীনম্বা পাম্বৈশিং শিজিন্নদুনা লন্দনদা লকজরি ফ্লেট ৪ লৈবা য়াওনা এভেনফিল্ড প্রোপরটিজ কেসতা হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা বেল পীখি।

ফ্লেগসিপ ইনভেষ্টমেন্টস করপসন কেসতা মহাক হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা থাদোকখি।

# মোজাম্বিকতা ইন্দিয়ান নেভেল ক্রুনা মীওই ১৯২ হেন্না কনখ্রে

***ন্যু দিল্ল, মার্চ ২৪ঃ***

শাথিরবা নোংলৈ–নুংশিৎ সাইক্লোন ইদাইনা খুদোঙথিবা তাহল্লবা মোজাম্বিক্তা ইন্দিয়ান নেভেল ক্রুনা অৱাবা তারবা মীওই ১৯২ হেন্না কনখ্রে।



মোজাম্বিক্তগী হায়জরকখিবা অমগী পাউখুমদা ইন্দিয়ানা খুদক্তা নেভিগী জহাজ ৩ বেইরা হিথাংফম সিটিদা থাজিনখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

লৈবাক অসিদা নোংলৈ–নূংশিৎতা খুদোঙ থিরবা মীয়াম কনবগী থবক্তা ইন্দিয়ান নেভিনা মীওই ১৯২না কনখ্রে অমসুং ইন্দিয়ান নেভিনা লিংখৎপা মেদিকেল কেম্পশিংদা মীওই ১৩৮১দা তেঙবাং পীখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

সাইক্লোন ইদাইনা মোজাম্বিক, জিম্বাবৱে অমসুং মলাৱিদা পাকশন্না অমাং অতা থোকহন্দুনা অমসুং মীওই কয়াগী পূন্সি মাংহন্দুনা মার্চ ১৫ অদুৱাইদা নোংপোক অমসুং খা থংবা আফ্রিকাদা শিৎলকখিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ কয়ানিরোম আই এন এস সুজাতা, আই সি জি এস সরাথি অমসুং আই এন এস সরদুল কৌবা জহাজ ৩ অসিনা লোকেল ওথোরিটিজ অমসুং ইন্দিয়াগী হায় কম্মিসনগা খূৎশন্নরগা অৱা –তেঙবাংগী থবক চথরকখি।

লোকেল ওথোরিটিজগা খূৎশন্নরগা অৱাবা তারবা মীওইশিং কন্ননবা অমসুং শোক্লবা মফমশিংদা চিঙ্গাক অমসুং থক্লবা ঈশিং পেকেটশিং থাদনবগী থবকশিংগীদমক মোজাম্বিককী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওফিসিয়েলশিংনা ফিভমশিং অদু য়েঙশিনবা ঙন্নবা ইন্দিয়াগী চেতক হেলিকোপ্টরনা খোঙচৎ কয়ামরুম পাইখি।

মসিদা নত্তনা অৱা তেঙবাংগী থবক অসি মখা চথবা ঙমনবা তেঙবাংগী মচাক –মথুম মতিক চানা হাপ্লবা আই এন এস মগার কৌবা অতোপ্পা জহাজ অমসু মোজাম্বিকতা থাজিনখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটরনেল এফিয়ারসনা হায়খি।

# হেলিকোপ্টরশিংনা নোংলৈ–নুংশিৎ মরক্তগী নোরৱে ক্রুজ জহাজগী পেসেঞ্জরশিং কনখ্রে



***হষ্টাদবিকা, মার্চ ২৪ঃ***

সমুদ্রগী নোংলৈ–নুংশিৎ মরক্তা অৱাবা ময়োক্লরবা পেসেঞ্জর ১,৩০০ তোংবা নোরৱে ক্রুজ জহাজ অমদগী হেলিকোপ্টরশিংনা পেসেঞ্জরশিং রেস্ক্যু তৌখ্রে।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা নোরৱেগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র তোর্ব্বানদগী লাপথোক্লগা হষ্টাদবিকা মনাক্তা ভিকিং স্কাই কৌবা ক্রুজ জহাজ অদু অকনবা নুংশিৎ মরক্তা ইঞ্জিন য়ারক্তবদগী খামদুনা লৈখি।

ক্রুজ সিপকী পেসেঞ্জর অয়াম্বা বৃটিস অমসুং অমেরিকান টুরিষ্টশিংনি। রেস্ক্যু ওফিসিয়েলশিংগী মতূংইন্না হৌজিক ফাওবদা পেসেঞ্জর ১৯০ রোম জহাজ অদুদগী পুথোক্লকখ্রে হায়রি।

পূংদা মাইল ৪৩ য়াঙনা শিৎপা নুংশিৎ অমসুং ফুট ২৬ ৱাংবা সমুদ্রগী ঈথক ঈপোমশিংগী মরক্তা শাথিনা খুদোঙথিরবা ফিভমদা লৈরবা ক্রুজ জহাজ অদুগী পেসেঞ্জরশিং অদু লৌথোক্লবা হেলিকোপ্টরশিং অমসুং হিশিংগা লোয়ননা রেস্ক্যু টিমশিং থাজিনখ্রে। ক্রুজ জহাজনা লৈরিবা মফম অদু য়ান্না শাথিবা অমসুং ফমজিল্লবা ঈশিংশিং লৈবগীদমক খঙনরিবনি।

নোরৱেজিয়ান পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন আর কেনা ভিকিং স্কাইদগী পেসেঞ্জরশিং লৌথোকপদু তপ্না চথগদবা অমসুং খুদোঙ থিনিংঙাই ওইবা থবক অমনি হায়খি। পেসেঞ্জরশিং অদু অফঙবা হেলিকোপ্টর ৫দা জহাজ অদুদগী অমমতা ওইনা চীংখৎলকপগী মথৌ তাই হায়খি।

### সনা–সুদোকু –৭৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | 8 | 2 | 9 | 5 | 1 | 4 | 3 |
| 4 | 1 | 5 | 6 | 3 | 8 | 9 | 7 | 2 |
| 3 | 2 | 9 | 1 | 7 | 4 | 8 | 5 | 6 |
| 7 | 5 | 6 | 3 | 8 | 1 | 2 | 9 | 4 |
| 9 | 4 | 3 | 5 | 2 | 6 | 7 | 1 | 8 |
| 1 | 8 | 2 | 9 | 4 | 7 | 3 | 6 | 5 |
| 2 | 3 | 1 | 4 | 5 | 9 | 6 | 8 | 7 |
| 8 | 9 | 4 | 7 | 6 | 2 | 5 | 3 | 1 |
| 5 | 6 | 7 | 8 | 1 | 3 | 4 | 2 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-76**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | | 3 | 1 | | | 9 |
| | | 1 | 8 | | | | 6 | 3 |
| 7 | 3 | | 9 | | | 8 | | |
| | | 9 | 3 | | 8 | 6 | | |
| 5 | 8 | | 6 | 1 | | | | |
| | | 3 | | | 9 | | 8 | 1 |
| 3 | 1 | | | | | | 4 | |
| | 9 | | | 6 | | | | 5 |
| 4 | | | | 8 | | 3 | | |